# ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাৰ্কশোপ মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরি ষ্টেট বেম্বু পোলিসি অথুবদা মীয়ামগী মত লৌগদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৪ ঃ মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহি ইং ২০১৯গী ফেব্রুৱারি ৪ দগী ৮ ফাওবা ইম্ফালদা ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাকশোপ পাঙথোক্নবা শেম শাবগী থবক চঙশিল্লি। ৱাৰ্কশোপ অসি পাঙথোক্নবগীদমক ষ্টেট লেভেল কম্মিতিশিং শেমখ্রে। ষ্টেট বেম্বু পোলিসি শেল্বগী থবক খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি লোয়নননা মীয়াম মত লৌনবা হোৎনরি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউজী লিখুন অমগী মতুংইন্না ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসন্না চহী অনী অনী কান্নরগা হায়রিবা ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাৰ্কশোপ অসি মালেমগী লৈবাকশিং দা হোং হোংদুনা পাঙথোকপনি।

ইং ২০১৭গী ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাৰ্কশোপ অসি মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। ইং ২০১৯গী ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাৰ্কশোপ অসিনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইম্ফালগী লম্ফেলইখোঙনাংখোঙদা লৈবা ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা ৱাৰ্কশোপ অসিদা মপুং ওইনা ৱাৰ্কশোপ। সেমিনার, দেমোন্সত্রেসন, ৱাশিং অসি করি করম্বা হিরমদা শিজিন্নগদগে হায়বনচিংবা অদু ময়ামদা পুথোক্তুনা উৎকনি হায়রি।

ৱাৰ্কশোপ অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা সবজেক্ট এক্সপাৰ্ট কয়া অমসুং এন্টপ্রেন্যুর কয়ানা ৱাশিং অসি শিজিন্নবগী মওং অমসুং মখোয়গী কান্নবশিং লোয়নননা করম্না পোথোকশিং পুথোকপা য়াবগে হায়বদু খঙহনগনি।

পাঙথোক্কদৌবিরা ৱাৰ্কশোপ অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ারমেন ওইবা অমসুং ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অমসুং কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর অনীনা কো চেয়ামেন ওইবা কম্মিতি অনি হৌখিবা জুন ৯ দা শেমখ্রে।

ৱা হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এগ্রিকলচরগী পোখোকনি হায়না লাওথোকপা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক ৱা অসি মখল অনী থোক্ন খায়দোক্লি। ৱা পান্বীশিং থাবদগী হৌরগা ত্রান্সপোর্টেসন অসিগী থবক অসিনা হান্নানা এক্সপরিয়েন্স লৈরক্লবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা তৌগনি অদুগা মসি ফেক্টরিদা চঙবা অমসুং পোখোক ওইনা পুথোক্লকপগী মতম অসিনা ইন্দষ্ট্রিজগী মখাদা কোনশিনলি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাৰ্কশোপ অসিদা লৈবাক ২০ হেনবদগী এক্সপার্টশিং অমসুং দেলিগেটশিং লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

মসিনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম মপুং ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা ৱাগী পোথোক পুথোক্লিবা মীওইশিংদা মখোয়গী হৈশিংবা অমসুং মখোয়না পুথোক্লিবা পোখোকশিং অদু মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা উৎনবগী খুদোংচাবা অমা শোয়দনা পীরগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ইন্দিয়াগী মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ৱাৰ্কশোপ অসি মপুং ওইনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি, চান্দিগরদা দিপার্টমেন্ট ওফ বোটনিদা প্রোফেসার ওইনা থবক তৌরিবা ৱাৰ্ল্ড বেম্বু এম্বেসেদর ডা. নির্মলা চোংথামনা নেসনেল টিমগী কো ওর্দিনেটর ওইনা থবক অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকা লোয়নননা চঙশিল্লকপনি। মসি মপুং ওইনা ৱাৰ্ল্ড বেম্বু ওর্গনাইজেসন, য়ু এস এ অমসুং দিআইসিএমএ ত্রেদকা পুন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ৱাৰ্কশোপ অসি মায় পাক্ন শিনবা হায়বসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মঙলান অমা ওইরি হায়না পাউ অসিনা মখা তাখি।

# শাফোঙখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম চিংলেম্না পাঙথোকখ্রে ঃ কেসিপি–এমসি (প্রো)

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৪ঃ

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি–মিলিটেন্ট কাউন্সিল (প্রোগেসিভ)না আগষ্ট ৩দা শাফোঙলকখিবগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দকসু হৌনবী মতুং ইন্না লূপকী 'ষ্টেন্দিং কমিতি'গী চেয়ারমেন কোমরেদ চিংখৈ খূমননা থৌরম মপু ওইদুনা জেনরেল হেদ ক্বাটর শেঞ্জাদা মখা থাবা ফম্নাইবশিং অমদি কম্যুনিষ্ট ফিভাং লান্মীশিংগা লোয়নননা ১১শুবা মপোক কুমওন থৌরম চিংলেম্না পাঙথোকখ্রে হায়না কেসিপি–এমসি (প্রোগেসিভ)না ফোঙদোরক্লি।

কেসিপি–এমসি (প্রোগেসিভ) কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী মহৈখোম্বা মৈতৈনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিদা কেসিপি–এমসি (প্রোগেসিভ)কী চেয়ারমেননা লূচিং লগা লূপ অসিগী কম্যুনিষ্ট য়াওল্লোই খুদিংমক্না য়েক সলাই তরেৎকী খুয়া খাদা থৌনিজদুনা মীখা পোল্লিবা কাং লৈ লমদম অসিবু অমুক হন্না মনিং মখা তমহন্নবগী য়াওল ইহৌ লাঞ্জং কয়া চঙশিনবদা কমরেদশিংবু অচংবা থৌনা হাপ্লিনবা অমদি মায় পাকপা য়াওল্লোই অমগী শক্তম ঙাকপা ঙমজগে হায়বা ৱাখল্লোলনা থৌরম অসিগী ৱাহৌদোক ওইখি। মথং মথং...

লমায় ১ গী মখা

# ম্যান্মারদা ভিসা ওন এরাইভেল লৈরগনি

পোষ্ট মমাঙদা টমু ফাওরিবা লম্বীদা গেট অচৌবা অমা শেম শাবগী থবক চত্থরি। গেট অদুদা ইন্টর্নেসনেল বোর্দর ওফ ম্যান্মার–ইন্দিয়া য়ানা থাদুনা মীয়ামদা পাউজেল পীগনি।

মোরেদা বেজ তৌবা পাউমীশিংনা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা ম্যান্মার ইমিগ্রেসন ওফিসতা মথৌ তৌরম্বা অমনা ফোঙদোরকখিবদি থা অসিগী ৮দগী ম্যান্মারদা টুরিজম অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়ান লৈবাকশিংগী ওইবা লল্লোল ইতিক্কী থবক হেন্না খূৎমাং চাওশিন্নবা পান্দমদা স্পিসিয়েল লেন্দ এন্ট্রি পার্মিসনগী প্রোব্লেম লৈররোই। মমাঙদদি ম্যান্মারদা চৎপা মতমদা স্পিসিয়েল লেন্দ এন্ট্রি পার্মিসন চৎলম্মী।

ইন্দিয়াগী ওইনা চহী খরগী মমাঙদা মোরেদা শাখিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টটি হৌজিক ফাওবা লোইশিনদনা লৈরি হায়নসু পাউ অসিনা পল্লদুনা হায়রিবা চেক পোষ্ট অসি শঙ্গানবা থৌরাং তৌরম্লগা য়েথোক্তুনা লৈখিবনি। হৌজিকসু চঙফম গেট অমদি লম্বী শেম্বা লোইশিন্দনা ইহিং হিংনা লৈরি। ফিভম অসিদা লৈবাক অনীগী লল্লোল ইতিক অমদি টুরিজমদা মপুং ফাবা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাহং অমদি মীয়াম্না হংলি।

অসাম রাইফলসকী দাইরেক্টর জেনরেল লেফটিনেন্ট জেনরেল সুকধিপ সঙৱান ঙসি মোরেদা লাক্তুনা শেমগৎ শাগৎলিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টকী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে অমদি গেট নম্বর টুদা চৎনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

# দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগী অকোইবশিং লু নান্না থম্বদা...

মনুংদা লৈরিবা ওফিসশিং দসু ওফিসশিং অদুগী ষ্টাফশিংনা শেঙদোকপগী থবক চত্থখি।

স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা স্বাছতা পকৱারা থৌরমগা লোয়নননা ইং ২০১৭কী আগষ্ট থাদগী হৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসশিং তরু তনান্না থম্নবা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নননা চঙশিল্লকপনি।

খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা মমাঙগী চহিগী ওক্তোবর ২ দসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ ওফিসশিংগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নননা ওফিসশিং অমসুং অকোয়বগী ফিভম লু নান্না থম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

মতম অদুদগী হৌদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থা খুদিংগী মরিশুবা থাংজ অসিবু স্বাছতা সেটরদে হায়দুনা লম তু শেংদোকপগী খোঙজং লেপ্তুনা চত্থদুনা লাকপনি।

চিত্রানা মখা তানা হায়, পোরোম্পাৎ ক্রোসিংদগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফিস তাবা লম্বী অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনদি মপুং ওইবা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিং লৈবনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মরুওইবা লম্বী ওইনা লৌই।

লম্বী অসিগী অকোয়বা অমসুং নাক য়েৎ অসি তরু তনান্না থম্বা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরিবনি। মসিদা মীৎয়েং থম্লগা লম্বী অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা লু নান্না থম্নবগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কন্না হোৎনজরবসু অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না লম্বী পরিং অসিদা মী লৈতবগী খুদোংচাবা লৌরগা ফত্ত হৌদি হুনদাকপা অসিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হোৎনরিবা পুম্বা অরেম্বা তাহল্লে।

মীয়াম্নসু ৱাখলদা লুবা নানবগী ইথিল অসি ফাওহনবীদুনা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ঙসিদগী হৌদুনা চত্থরিবা লম তুলু নান্না থম্নবগী খোঙজং অসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী পাউতাক মতুংইন্না হয়েং আগষ্ট ৫গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা গোবিন্দজি তেম্পলবোর্দ অমসুং এস দি ও পোরোম্পাৎকী ওফিসিয়েলশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ৯গী কোর্পোরেটরগা খূৎশম্নদুনা গোবিন্দজি তেম্পলগী অকোয়বদা লম তুশেঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা গোবিন্দজি তেম্পল বোর্দগী এক্সিক্যুটিভ ওফিসারসু ওইরিবা এস দি ও পোরোম্পাৎ সেলিনা থৌনাউজমনা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অদুদা ষ্টাফশিংনা শোয়দনা য়াওনবা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

# হেলিকোপ্টর সর্ভিস দিসেম্বরদগী হৌগদৌরি

মরক্তা য়ান্নচেরোল অমা খূৎয়েক পীনখ্রে।

লাক্লিবা আগষ্ট ৭ দা সেন্তরদগী মীহুৎ কাঙবু অমা লাক্তুনা হেলিপোর্টনচিংবা শাগদবা মফমশিং অদু য়েংশিনলগদৌরি। হেলিকোপ্টর সর্ভিস অসি হৌরকপা মতমদা গ্রাউন্দ সেক্যুরিতি, গ্রাউন্দ হেন্দলিং অমসুং ফয়ার ফাইটিংনচিংবগী থবকশিং অসিগী দায়ত্ব মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দায়ত্ব ওইগদৌরিবনি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা পায়খৎকদৌরিবা অতোপ্পা হেলিকোপ্টর সর্ভিস অমনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সকী সবসিদি স্কিমগী মখাদনি। স্কিম অসিগী মখাদা হেলিকোপ্টর ওফরেসনগী মমল অসি পেসেঞ্জরশিংদগী খোমগৎকদৌরিবনি। মসিগী স্কিম অসিগী মখাদ সেন্টরনা চাদ ৭৫ অদুগা ষ্টেটনা চাদ ২৫ পুথোক্কদবনি। স্কিম অসিগী মখাদা মণিপুরদা হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈহন্নবগী ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা অয়াবা পীরকখ্রে।

স্কিম অসিগী মখাদা ওপরেট তৌগদৌরিবা হেলিকোপ্টর কম্পনি অদু খন্নবা তেন্দেরনচিংবা তৌবদা মতম চঙগদবনা মসিগী মতম থা ৬ অসি মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনগী পব্লিক সেক্টর অন্দরতেক্কিং অমা ওইরিবা পাৱন হন্স হেলিকোপ্টর লিমিটেদনা ওপরেট তৌনবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং পাৱন হন্স হেলিকোপ্টর লিমিটেদগা থা ৬ চৎনগদবা য়ান্নচেরোল অমা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।

মসিগী ওপরেসন তৌবা মতমদা পাইগদবা পুংশিং অদু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা লেপকদবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মিনিট অমদা লুপা ১০০দা লেপ্লে হায়রি।

অতোপ্পা হেলিকোপ্টর স্কিম অমনা এয়ার এম্বুলেন্স স্কিম অসিনি। স্কিম অসি মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লাগী ৱাখল্লোনগী মখাদা পায়খৎলকপনি।

হিরম অসিগী মতাংদা পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা থা মরিরোমগী মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরী অমনা ইম্ফালদা লাকপা মতমদা ৱাফম অসি পুথোক্তুনা খন্নবনি। লোয়নননা মসিগী দায়ত্ব অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌনবগী ৱাফম অসি লেপ্নখিবনি।

হান্নদি ষ্টেট অসিদগী অনাবশিং অসি অতোপ্পা অৱাং নোংপোক্কী য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেট খরদা লৈরিবা অনা লায়েঙশংশিং অসিসু কোভর তৌনবা খন্নবনি। অদুবু মসিদা অতোপ্পা ষ্টেট য়াওশিনবদা খুদোংচারোইদবা খরা লৈবদগী মণিপুর মনুংদখক্তমক চত্থনবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

মসিগী থৌরাং অসি পায়খৎপদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার, মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসন অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর য়াওনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎমিন্নগদবা থৌরাং অসি লৈবাক অসিদা অহানবা ওইগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

সর্ভিস অসিগী মখাদা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং অনা লায়েংগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা থুনা অনা লায়েং চত্থবগী দরকার লাকপা মতমদা লাইফ সেভিং ইক্যুইপমেন্ট মতিক চানা য়াওবা হেলিকোপ্তর অমদা অনা লায়েংশঙ তান্না পুরক্নবগী খুদোংচাবা ফংহনবনি। মসিগীদমক অহানবগী ওইনা রিমস হোস্পিটাল খনলে হায়না পাউ অসিনা মখা তাখি।

# জেনিমসকী সেনিয়ার রেসিদেন্টশিং দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৪ ঃ ঙরাং ফল লাওথোকখিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দেন্টেল কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌবদা হান্নদগী মতম শাংনা ৱাজদুনা লাক্লবা সেনিয়ার রেসিদেন্টশিং খৎতোকপীরম্বগী থৌওংগী মায়োক্তা জেনিমসকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা সেনিয়ার রেসিদেন্টশিংনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনলক্কদৌরি।

জেনিমসকী সেনিয়ার রেসিদেন্ট শিংনা প্রেসতা ফোঙদোরকপদা হন্দক্তা দেন্টেল কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌবগী ফল অদুদা মীচং শঙ্গ নাইবগী মমি চাউনা তাই।

মতম কয়াগী মমাঙদগী জেনিমসতা থবক তৌদুনা লাক্লবা মতিক চারবা অমসুং তাকপী তম্বীবগী এক্সপরিয়েন্স মপুং ফানা লৈরবা রিগুলার বেসিসতা হাপখিবা সেনিয়ার রেসিদেন্ট কয়া ঙরাং লাওথোকখিবা ফল অদুদা নাথৈদুনা থম্লম্লগা পুম্নৌ নৌবা ওইনা লৌখি।

ঙরাং দেন্টেল কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ১৭কী মিং লাওথোকখিবা অদুদা ইন্টরনেল কেন্দিদেট অমত্তগী মিং য়াওরকখিদে। মসিনা তাকপদি জেনিমসতা হান্নদগী লৈজরক্লবা সেনিয়ার রেসিদেন্টশিংদা খুদোংচাবা পীদে হায়বা ময়েক শেঙলে।

অতৈ মমিং লৈরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিং এইমস,নিউ দিল্লি, পি জি আই এম ই আর, চান্দিগর অমসুং রিমস লম্ফেলপাত্তা ইন্সটিট্যুট অদুদা হান্নদগী থবক তৌদুনা লৈরক্লবা মীওইশিংদা মসিগী খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লিবনি।

চত্থরিবা থৌওং অসিনা রিগুলার সেনিয়ার রেসিদেন্টশিংনা জেনিমস ওঠোরিতিদা থম্লম্বা থাজবা অদু মাঙহন্নবা মচাক ওইহল্লে। করিগুম্বা জেনিমস ওঠোরিতিনা হিরম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্দুনা চুমথোক্নবা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি জেনিমসতা থবক তৌরিবা সেনিয়ার রেসিদেন্টশিংনা অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি জেনিমসকী ওইনা রিগুলার সেনিয়ার রেসিদেন্ট ডাক্টর ৭৭ তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌদুনা লৈরিবনি। মসিগী মনুংদা হৌজিক জেনিমসকী দেন্টেল কলেজদা সেনিয়ার রেসিদেন্ট ৬ ইং ২০১১ দগী থবক তৌদুনা মতম শাংনা ৱাজরক্লবশিংবু হন্দক্কী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌবগী চাংয়েং অদুদা অমত্তা খল্লকখিদবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# জিরিবামদগী মীতোপ ৪ হলহনখ্রে

জিরিবাম ব্রনচকী চিয়ার্মেন এম হেমন্তনা হায়খিবদা মীতোপ চংলকপা থিংনবা মণিপুরগী বোর্দর এরিয়াশিংদা মমাংদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লি।

মসিগী মথক্তা হন্দক্তা অসামগী এনআরসি লিষ্ট ফোঙখিবা অদুদা য়াওহৌদবা মীওই লাক্ষ ৪০ রোম মণিপুর য়াওনা থংনরিবা ষ্টেটশিংদা চঙশিল্লকদ্রা চিংনবদগী মদুবু থিংনবগী থবক হেন্না কনশিন্দুনা ঙসি অয়ুক পুং ৬তগী হৌদুনা জেসিআইএলপিএস ষ্টুদেন্ট ৱিং জিরিবাম ব্রাঞ্চ, দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর(দেসাম), ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চ অমদি কুকি ষ্টদেন্ট ওর্গানাইজেসন(কেএসও) জিরি অমসুং তমেলোংনা খূৎশম্নরগা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চঙলকখিবা পেসেঞ্জর গারী অমদি ত্রকশিং চেক তৌবগী থবক চত্থখি। মদুদা আসাম লোমদগী চঙলকখিবা শক্তাক চে য়াওদবা মীওই ৪ য়াওরম্বদগী খন্দোক্লগা আসামলোমদা অমুক হালহনখ্রে হায়না হেমন্তনা মখাতাখি।

ঙসি মীতোপ খন্দোকপগী থবক অসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ কয়ানসু মতেং পাংলি। মণিপুর গভর্নমেন্টগী মায়কৈদগীসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা মীকুপ নহুম শিংনা লৈরি।

মণিপুরদা মীতোপ চঙবা য়াদে হায়বা নত্তে। মপান্দগী লাকপশিংনা মণিপুরদা চঙলকপা মতমদা ইন্দিয়াগী সিতিজেন অমা ওইবগী শক্তাক চে লোয়নবিরকউ। মদু নৎত্রগদি মণিপুরদা চঙবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখি।

# মীতোপ চঙলকপা থিংনবা তেংনৌপল...

চেনলিবা মখল খুদিংমক্কী গারীশিং অমদি মদুদা য়াওরকখিবা মীওই খুদিংমক্কী শক্তাক চেক তৌখি। চেক তৌবা অদুদা গারীগী মীওইশিংদা মীতোপ পুশিল্লক্তনবা পাওতাক কয়া পিদুনা খঙহনখি।

চেক তৌবগী থবক অদুগা ইরোইননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এসপি ডাঃ এস ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক মপাল লমদগী মীতোপশিং চংলকপা থিংনবগীদমক অমদি এৱার্নেস পিনবগী মণিপুর সরকারনা ষ্টেট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মোনিটরিং কম্মিটি শেমদুনা স্পিসিয়েল সেক্রেটরী হোমনা চিয়ার্মেন ওইদুনা থবক অসি পায়খৎপা হৌবনি।

হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীতোপ চঙলকপা থিংনবগীদমক চেক পোষ্ট ৫দা হেন্না কনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। চেক পোষ্ট ৫ অসিদা লৈদুনা দ্যুটি তৌগদবা ওফিসারশিংদি অদুদি কোন্দোং লাইরেম্বী চেক পোষ্টতা এদিস্নেল এসপি টিঐচ রোমিনসননা লুচিংগনি। মোরে গেট নম্বর ২দগী মুস্লিম নগর ফাওবদা এসদিপিও সন্দিপ গোপালদাসনা, গেট নম্বর ২দগী ইন্দো ম্যানমার ফ্রেন্দসিপ ব্রিজ ফাওবনা দিএসপি টিঐচ থোমাসনা, তেংনৌপল চেক পোষ্টদা এদিস্নেল এসপি সুরজনা অমদি মচি চেক পোষ্টতা পোষ্ট অসিগী ওসিনা লুচিংগনি হায়না এসপি ইবোমচানা মখাতানা ফোঙদোকখি।

# ভিসি পান্দে লৌথোক্ত্রিবমখৈ ইন...

মুসুগী জেনরেল সেক্রেটরী এল কেনেদিনা ফোঙদোকখিবদি চীফ মিনিষ্টরনা খন্থদনা খোঙজং হনদাকপীরো হায়বসি য়ানিংদে। ৱাথোক অসিগী মতাংদা পুন্না ফম্মিন্নরগা অনীংবা অপাম্বশিং ফোঙদোক্নবা মথৌ তাই।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মহৈরোই অমা ফাখিবা অদু অকনবা মওংদা নিন্দা তৌই। মীওই অমা ফাবদা চপ চাবা মেমোনচিংবা পীবা মথৌ তাই। মুসুনা লম্বীদা থেৎলিবা সাইনবোর্দশিংদা মচু শঙজিনবা অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট দেগী থৌরম বোইকোট তৌগনি হায়খিবা অদু অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। দিমোক্রেটিক ওইনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংবু লান্না উহনবা তৌবিগনু অমদি খুত্থাং চারা হেনফম থুদেক্তুনা মপোৎ মচৈ পুখিবা অদুসু মরী লৈনবশিংনা অথুবদা থিনবীরক্নবা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# খাঙবোক এরিয়াগী লৌকোন...

বিহু, সলাম, লৌহোনবী, কোওপরেটিব, টেন্থারাম, কালাখোং, মচামখা, সঙ্গাই মখোঙ, কিয়াম লৌকোল, উমুরৌ, চাকখোম হৌবী অমদি বিহু লময়াইগী লৌ পরি ১৫০০ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঙায়োক ফার্ম ৬০ রোমসু কায়খ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, থা অমগী মমাঙদসু ঈচাও থোক্তুনা লৌমীশিং অৱাবা মায়োক্নখিবনি। পোখোক খরা ফঙনবা হায়দুনা অমুক হন্না ফৌ থাবা লৌফম কয়া অমুক ঈশিং থুমজিনখ্রে। হন্থবগী মমিসু উদ্রি। অদুনা সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা য়েংশিনবীয়ু।

# জেএসিগী খোঙজং নুমিৎ ১৩২নি শুখ্রে

ষ্টাফশিংনা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমনা ফোঙদোরকখিবদি চত্থরকখিবা খোঙজং নুমিৎ ১৩২ নি শুরবা ফাওবা সরকরনা থৌৱা শাবিদবসি লাইবক থিবনি।

জেএসিগী লুচিংবশিং ফানবা হোৎনবা খুদক্তা লেপকদবনি। তাল্লিবা দাবি ফঙদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

# ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটশিংদা সেদশিং শিজিন্নবগী লিজ শাংদোক্নবা ৱাফম গভর্ণমেন্টনা খন্নরি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৪ ঃ ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টটশিংদা লৈরিবা সেদশিং শিজিন্নবগী লিজ চহি অহুমদগী ১০ দা শাংদোকপগী প্রপোজেল গভর্ণমেন্টনা খন্নবগা লোয়নননা মদুগী প্রোসেস চত্থরি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী পি ৱাইফৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ৱাফম অসিগা মরী লৈনবা ফাইল মিনিষ্টরনা চহি অমা চুপ্পা ফাজিনবগী ৱাফম লৈতে।

মহাক্না হায়, মহাক্না দিপার্টমেন্ট অসিদা লাকপা অসি ইং ২০১৭কী সেপ্তেম্বর ২০ দগীনি। মহাক্না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী ওইনা লাক্লবা মতুংদা লৈরিবা লিজগী মতম অসি চহি অহুমদগী ১০ দা শাংদোক্নবগী ৱাফম অসি এন্টরপ্রেন্যুর খরনা পুখৎলকপদগী চহি অদুগী নভেম্বর ২৪দা ৱাফম অসি খন্নবা হৌখিবনি।

মতম অদু ইং ২০১৭কী নভেম্বর ২১ দগী সঙাই ফেষ্টিভেল, নোর্থ ইষ্ট দিভলপমেন্ট সম্মিটনচিংবা চত্থরিবনি। লোয়নননা দিপার্টমেন্টতা টার্মস ওফ এগ্রিমেন্ট অসি রিভিয়ু তৌনবা থবক পায়খৎলকপনি। ইং ২০১৮গী মে থাদা দাইরেক্টোরেটনা লিজগী মতম অসি শাংদোক্নবা প্রপোজেল গভর্ণমেন্টতা থাগৎখি।

প্রপোজেল অসি দাইরেক্টোরেটনা থাগৎলকপগা ফাইল অসি মিনিষ্টরদা থারে। মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা ফাইল অসি অয়াবা পীরগা থাদোরক্লে। মতুংদা রুল অমা ওম্থোক ওনশিন তৌবদা লো দিপার্টমেন্টকী ভেটিং চংবদগী মে থাদুমক্তদা থাখি। লোয়নননা জুন থাদা লো দিপার্টমেন্টনা ভেটিং পীরক্লে। মসিগী পোইন্টশিং অসি হাপ্লগা অনৌবা ড্রাফ্ট অমা শেম্নবা দিপার্টমেন্টতা জুন ২১দা দাইরেক্টোরেটতা খঙহনখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়,তেরা উরক য়াওনা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটশিং অসিদা মৈ পীবগী ৱাফম এগ্রিমেন্টতা য়াওদে। অদুবু মসি এগ্রিমেন্ট অসি রিভাইস তৌবা মতমদা মসিগী ৱাফম অসিসু হাপচিন্নবা হোৎনরিবনি।

এফ্লুয়েন্ট ট্রিটমেন্ট অসি প্রোজেক্ট শাবদা য়াওখিদে। ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অসিগী অপুনবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ১০ খক্তনি। মসিদা সেদ ২৭ শাবা, লম লৈবা, লম্বী শেম্বনচিংবা কয়া য়াওবনা লুপা ক্রোর ১০ অসিনা থবকশিং পায়খৎপদা লিমিটেসন লৈ।

মনিদকোদা দি পি আর শেম্নবা তক্নবা লৈ। মদু লাক্নবা মতুংদা কদায়দা মসি পায়খকদগে হায়বদু খন্নগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা আগষ্ট ২দা এলোটমেন্ট ষ্টেট লেভেল স্ক্রিনিং কম্মিতিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মমাংঙৈদা এপ্রিলদা য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা থা অহুমগী মনুংদা সেক্যুরিতি দিপোজিৎ থমগদবা অদু থমদবা ফার্ম অনী অমসুং চৎন কাঙলোন ঙাকপা ঙমদবা ফার্ম অনীখক লৈ। মখোয়শিং অদু ককথৎনবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়খি।

লমায় ১ গী মখা

# ইন্টিগ্রিটি পিল্লরদা কোক নোন্দুনা মণিপুর ইন্টিগ্রিটি দে...

অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশতা চৎনহন্নবগী ৱাফম য়াওরক্লিবা অসি চৎনরকপা তারবদি মণিপুর অসি মনিং মখা তম্না লৈজরগে হায়বা ৱাফম লৌরকপা তাবনি। এমএলএ, মিনিষ্টরশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীওইশিং নি হায়বা তৌদনা মশানা খঙনা ফম থাদোক্কদবনি লোয়নননা মীচম অমগুম মণিপুর খুন্নাই শেমগৎনবা ফিরেপ লৌগদবনি। মসি নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমা লৈতে হায়না দেবাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফুরুপ অমা চাওখৎচনবা হোৎনবদা অকাইবা লৈতে অদুবু মণিপুরগী শক্তমগী অপুনবা শক্তম থুগাইনবা হোৎনবদি য়াবা ঙম্লোই। লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা তোঙান–তোঙানা চৎপগী মহুৎতা পুন্না অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগী ৱারেপ লৌবা মতম য়ৌরে হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি।

চৎলিবা থা অসিগী ১০দা লোইশিনগদৌরিবা পালির্য়ামেন্ট মীফমদা করি ৱারেপ লৌরকপগে হায়বদু কুপ্না য়েংবগা লোয়নননা করিগুম্বা অকনবা ৱারেপ লৌরক্নবদি শিবা চঙবা থিদনা পুন্না থেংনমিন্নসি হায়না অপিল তৌখি।


থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ কমিতি মণিপুর (য়ুসিএম) গী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়, মমাঙ চহী ২০১৭দা সিএসওশিংগী অপুনবা কাংবু অমা দিল্লিদা চৎতুনা ভারত সরকারগী লুচিংবশিংগা উন্নখি অমসুং নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না ময়েক শেংনা খঙহল্লমখি।


সরকারগী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শোকহনগদবা অমত্তা য়াওদে হায়নসু ফোঙদোরকখি। অদুবু হৌজিক্তি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১(এ) য়াওরক্লে। অদুনা রাজনিতিৱালাশিংনা থৌনা লৈনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌবিরো, মীয়ামদা চপ চাবা ফিরেপ অদু খঙহনবীরো। লোয়নননা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা ফমগদৌরিবা মীফমদা আর্টিকল ৩৭১(এ) অমসুং মসিগা মান্নবা অমত্তা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবা য়ারোই হায়না ৱারেপ লৌবিরো।

জেলিয়াংলোং য়ুনিয়ন ইম্ফাল জোনগী চেয়ারমেন গাইলেমৈ, কুকি ইনপি মণিপুরগী এদভাইজর থোংখোসৈ হাওকিপ, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী দেবী, ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট দিপি সহিদ অহমদ অমদি অতৈ কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল

Title : Morning






Bhuvana Nepram
Class: I, Sec : A, Roll No : 1
KID'S FOUNDATION

Title : A Girl




Thiyam Minerva
Class: III, Sec : D, Roll No : 48
UNACCO SCHOOL

Title : Scinery




Th. Boysana
Class: V, Sec : D, Roll No : 9
UNACCO SCHOOL

Title : Scinery




Raneyson Wangkhem
Class: II, Sec : A, Roll No : 45
UNACCO SCHOOL

Title : Pikachu



Lemina Longjam
Class: I, Sec : A, Roll No : 5
UNACCO SCHOOL

Title : Meliodas



Th. Nikhil Singh
Class: V, Sec : C, Roll No. 39
UNACCO SCHOOL

অঙাংশিংগী ফোটো, লৈফম, স্কুল মমিং, ক্লাস য়াওনা অয়েকপা লাই কলম অসিগীদমক থাবিরক্নবা হায়জরি

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ



